# মণিপুরনা গোল্ড ৯০ ফংদুনা ৮শুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস)ঃ

নোর্থ ত্রিপুরাগী ধর্ম্মনগরদা লৈবা স্বামী ভিবেকানন্দ সর্ধা সত্যাবর্সিকি ভাবনদা পাঙথোকপা ৮শুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ ২০১৯দা মণিপুরনা গোল্ড ৯০ ফঙদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

মণিপুরগী টিম অদুনা পুন্না গোল্ড মেদল ৯০, সিলভর ১৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ১৩ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখি। থাঙ-তা ফেদরেসন কপ অসিগী য়ুম্বু ওইখিবা ওল ত্রিপুরা থাঙ-তা এসোসিয়েসননা পুন্না গোল্ড ৯, সিলভর ২০ অমসুং ব্রোঞ্জ ২২ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

ঙসি ৮শুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ ২০১৯গী লোইশিনগী থৌরমদা ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা চীফ গেষ্ট ওইখি। থৌরম অদুগী প্রসিদেন্টগী থৌদাং অদু সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেকী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিখিবা নরেংবম সমরজিৎনা লৌখি। লোয়ননা গেষ্ট ওফ ওর্নরগী থৌদাং অদুনা ওল ত্রিপুরা থাঙ-তা এসোসিয়েসনগী এদভাইজর ও দেবেন অমসুং ওল ত্রিপুরা থাঙ-তা এসোসিয়েসনগী মেম্বর বিজুলিনা লৌখি।

ফেদরেসন কপ অদুদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা থাঙ-তা শান্নরোয়শিংনা মণিপুরদগী হৌদোকখিবা মশান্না অসি ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিয়েসননা রিকোগনাইজ তৌদুনা ফেদরেসন শেল্লগা চহী ৮ চুপ্পা চত্থরকপা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ অদুদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা মশান্না অসি মালেমগী থাক্তা হেন্না অফবা মওংদা পুখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

# ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা এফ আই ঐচ সেরিজ চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ভুবনেশ্বর, জুন ১৫ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ভুবনেশ্বর সিটিদা লৈবা কলিঙ্গা হোক্কি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসনগী সেরিজ ফাইনেলসকী ঙসি সাউথ অফ্রিকাগা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

মেচ অদু ইন্দিয়ানা হৌবদগী সাউথ অফ্রিকাবু অকনবা লম্বা চত্থদুনা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অহানবা কার্টরদা বরুনগী পেনাল্টি কোর্নর অমদা ২শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ১১ শুবা মিনটতা হরমনপ্রিটনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

অনীশুবা কার্টরদা ইন্দিয়াগী এটেক অমদা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা ফংখিবা অদু হরমনপ্রিটনা মেচ অদুগী ২৫ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওস্থোকপা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু ৩-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। মেচকী অনীশুবা হাফ অদুসু ইন্দিয়ানা হেন্না ফজনা শান্নবা ঙমদুনা ৩৫ শুবা মিনটতা ভিবেক্না ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা সাউথ অফ্রিকাবু ৪-০দা হেন্দুনা লৈখি। মেচকী অরোইবা কার্টরদা সাউথ অফ্রিকাগী মায়োক্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা বরুননা ৪৯ শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা ইন্দিয়াগী ৫ শুবা পাঞ্জল চনখি। মেচ লোইগদবা মিনট ৭তা ঙাইরবা মতমদা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা পোজনা পাঞ্জল চন্দুনা মখোয়গী একাউন্ট হাংলগা ফাইনেল মেচ অদু ৫-১দা ইন্দিয়ানা থোইখি।

নাকল অমরোমদা জপানগী হিরোসিমা সিটিদা পাঙথোকপা এফ আই ঐচ ৱুমেন্স হোক্কি সেরিজগী গ্রুপ এগী অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা উরুগ্বেবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রাজি, জি কোর, জিওতি অমসুং লালরেমসিয়ামিনা পাঞ্জল চনখি। হয়েং ইন্দিয়ানা ফিজিবু পাঞ্জল ৬-০দা থোইরম্বা পোলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

# ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম মায় পাকখ্রে

বরানোবিসি, জুন ১৫ (এজেন্সী)ঃ

বেলারসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিমনা এক্সপোজর টুর অমা শান্নবা অদুগী ৫শুবা অমদি অরোইবা মেচতা ঙসি ইন্দিয়াগী টিম অসিনা বেলারসকী দিভলপমেন্ট টিমবু পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ অদু দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অদুদা বেলারসকী জুনিয়র ৱুমেন্স টিম অমসুং সেনিয়র টিমগা মেচ ২/২ শান্নখি। মদুদা জুনিয়র টিমবু ইন্দিয়ানা মেচ অমা মায়থীবা নংলবা মতুং ঙরাং সেনিয়র টিমগা শান্নখিবা মেচ অদু পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি। মেচ ৫গী সেরিজ অদুগী মনুং চন্না ঙসি অরোইবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অদুনা বেলরসকী দিভলপমেন্ট টিম অদুবু য়াম্না চাওনা পাঞ্জল ৬-০দা মায় পাক্তুনা সেরিজ অসিদা অনীরক শুবা ওইনা মায় পাকখি। মসিনা মরম ওইরগা মেচ ৫গী সেরিজ অদু লৈবাক অনীনা মেচ ২/২ মায় পাক্লরবা মতুং মেচ অমা দ্রো চৎখিবা অদুনা সেরিজ অদু দ্রো চৎখি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এ সন্তোস কুমারনা মনুং মতম চাদনা ঙরাং লৈখিদবা অদুদা এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বরশিংনা লৈখিদবা অদুগী শঙলেন্দদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা এ সন্তোস কুমারনা ষ্টেট অসিদা ফুটবোল মশান্না চাওখৎনবগী লৌরম্বা থৌদাং অদুবু নীংশিংলদুনা মহাক লৈখিদবদা মণিপুরগী ফুটবোলদা অচৌবা অহাংবা মফম অমা লৈহৌগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ওল মণিপুর এসোসিয়েসননা লৈখ্রিদবা মহাক্কী থৱায়না ইংনা চিক্লা মপুগী খুয়াদা লৈনবা অমদি ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

# নুপাগী ভেটরান হোক্কি টুর্নামেন্টকী ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস)ঃ

মণিপুর ভেটরান হোক্কি এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা খুমুকচম ওংবী লিওনি দেবী মেমোরিএল ট্রষ্টনা স্পোন্সর তৌদুনা খুমুকচম ইবোয়াইমা সিংহ মেমোরিএল মেন্স ভেটরান হোক্কি টুর্নামেন্ট হয়েং শান্নরগনি।

ভেটরান মেন্স হোক্কি টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেচতা হয়েং মৈরা বাসিখোং অমসুং ৱাই এ সি য়াইস্কুল লম্বা তৌনগনি।

# শরিৎ-শরাক চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস)ঃ

শরিৎ-শরাক এসোসিয়েসন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা হয়েং ফাওবা চত্থগদবা অহানবা ষ্টেট লেভেল চেম্পিয়নশিপ হৈঙাংদা লৈবা ইবুধৌ মারজিংগী খুভমলেন কম্যুনিতি হোলদা ঙরাংদগী হৌদোকখ্রে হায়না এসোসিয়েসন অসিগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর দিরেক্টর অরিবম শিবদাস শর্ম্মনা চীফ গেষ্ট, ওর্গনাইজেসন কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট কোঞ্জেংবম জয়ন্তনা প্রসিদেন্ট, সোসল ৱেলফিয়র অমসুং মাইনোরিটি এফেয়র্সকী দিরেক্টর ঙাঙোম উত্তম অমসুং শরিৎ-শরাক এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম লাসমোননা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরদা লৈরিবা হুয়েন লালোং থাঙ-তা শীন্দমশঙ ১৫দগী লাকপা শান্নরোয় ৩৪০ অমসুং ওফিসল ৫০না শরুক য়াখি।

# ইংলেন্দ নোকআউট ষ্টেজ য়ৌখ্রে

পেরিস, জুন ১৫ (এজেন্সী)ঃ

ইংলেন্দগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা অর্জেন্টিনাবু ঙরাং পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা চত্থরিবা ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ডকপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী নোকআউট ষ্টেজ য়ৌখ্রে।

গ্রুপ 'দি'দা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৬১ শুবা মিনটতা জোদি টেলরনা চনখি। অর্জেন্টিনা টিম মেচ লোইবা ফাওবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। মেচ অনীদা অনীমক মায় পাক্তুনা ইংলেন্দ পোইন্ট ৬ ফংলগা ৱর্ল্ড কপ অসিগী নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

অমরোমদা গ্রুপ 'ই'গী ওইনা নেদর্লেন্দসনা কেমরুনবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা মখোয়সু মেচ ২দা অনীমক মায় পাক্লগা নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি। নেদর্লেন্দসকী মায়কৈদগী ভিভিয়ানা মৈদেমানা শান্নবগী ৪১ শুবা অমসুং ৮৫ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখি। টিম অদুগী দোমিনিক্কা ৪৮ শুবদা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা কেমরুনগী গেব্রেলনা ৪৩শুবা পাঞ্জল অমা চনখি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৭

১) কুমজা ১৯৭১-৭২দা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী চীফ পেত্রোন (Chief Patron) ওইখিবা অদুগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৩০ (1930)গী মতমদা SHEFFIED SHIELD গী টুর্নামেন্টতা Donald Bradmanna শরুক য়াবদা নোংমগী মেচ ফি (Match Fee) কয়ানো?

৩) ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াদা ক্রিকেট টেষ্ট শান্নবা লাকপদা শান্নরোয়শিং অদুগী মরক্তা স্কুল ওজা মরি, ঙা লল্লোনবা অমা, এদভরটাইজিং মেনেজর অমা, সেলসমেন অনী, উহৈ-ৱাহৈ থাদুনা হৈকোল শেম্বা নুপা অমা য়াওরকখি। করম্বা চহীদা টিম অদু ইন্দিয়াদা লাকখিবগে?

৪) অঙাং লায়েংবগী অফাওবা ডাক্তর অমা ওইরকখিবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমনা কুমজা ১৯৪৫দা অঙাংশিংবু চেকশিন থৌরাং লৌনবা লাইরিক অমা ইদুনা কোপি মিল্লিয়ন ২৫ হেন্না য়োনখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৬কী পাউখুম

১) MURA হায়না খঙনবা শান্নবগা মরী লৈনবা লুপ অমা কুমজা ১৯৩৯দা শেমখি। মসিগী ওফিসতী মপান কাংজৈবুংগী ময়াদা লৈরম্মী। MURA গী ফুল ফোর্ম পীয়ু।

: MANIPUR UMPIRE AND REFEREE ASSOCIATION

২) য়ুরোপ মচা অমনা ওলিম্পিক্কী Speed Skating গী থৌরম অমদা সনাগী মেদল লৌখি। মহাক ওফিস অমদা Secretary ওইনা থবক তৌই। মহাক্না ওফিস কাবদা SKAT তোংলগা চৎলি।

: CAROLINA GEIJSSEN

৩) YURI BILONOH (Ukrain) অমসুং ADAM NELSON (USA)না কুমজা 2004 দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্কী নুং হুনবা তান্নবদা মিটর 2:16 চপ মান্ননা শাংনা লংই। মদুদা YURI BILONOH দা সনাগী মেদল পীখি। করিগীদমক মঙোন্দা সনাগী মেদল পীরিবনো?

: Second Best Throw দা YURI BILONOH না হেল্লি।

৪) করম্বা লৈবাক্তা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমবু সরকারনা য়ুম নত্রগা লম মচেৎ অমা পীবগে?

: FINLAND

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? : SATHISH SIVALINGAM

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৯৬কী পাউখুম ৩ চুম্না থাবীরকখিবদি**

১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক (৩)

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ -৯৬কী ৱিন্নর**

**অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক**

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৯৬গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম জুন ১৬, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।



HL-P/5486/16-30june/2-14july (alt.)



HL-B/5474/13-22



HL-B/5383/12,13,14,16



HL-B/5368/3/5-30/6



HL-P/3895/16




| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Assistant Legal Advisor | LLB/LLM | 2 | Negotiable | 25-35 | H.Q |
| 2. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 2+2+2 +2+2 | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | 3+2 | Negotiable | 18-35 | H.Q |
| 9. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | 6,500-15,500 | 18-25 | H.Q |


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com